**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-02-2026)**

**ইগজাম (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসননা-মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন হয়েংদগী হৌরগনি। পরিক্ষা অসিগী মথং থাগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বোসেমগী সেক্রেটরি-এস. জিতেলাল শর্ম্মনা হায়-পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৭২৫ না পরিক্ষা থাগনি। মসিদা সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোই লিশিং ৮,১৯১, এদেদকী লিশিং ১,৪৯৮ অমসুং লন্নাই স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭,০৩৬ য়াওরি। চীংদা মহৈরোইনা লিশিং ১৯,০৪৬ নি অদুগা তম্পাক্তা লিশিং ১৭,৬৭৯ নি। পরিক্ষা সেন্টর ১৬১ গী মনুংদা তম্পাক্কী সেন্টর ১০০ অমসুং চীংগী সেন্টর ৬১ য়াওরি।

শ্রী জিতেলালনা হায়-পরিক্ষা থাগদৌরিবশিংগী মনুংদা আই.দি.পি. মহৈরোই ৩৯২ সু য়াওরি। মহাকা হায়-পরিক্ষা নিয়ম চুমা অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওদনা পাঙথোকবগীদমক চীংগী ওইনা নোদেল ওফিসার তরা, ইন্সপেক্সন টিম ৩৬ হাপলে। তম্পাক্কী ওইনা ইন্সপেক্সন টিম ৩৬ অমসুং অখন্নবা টিম ১২ লৈগনি।

সেক্রেটরিনা হায়-পরিক্ষা অসিগী য়েংলগা কন্ট্রোল রুম অমা হাংদোক্লে। মসিগী টেলিফোন নম্বরনা-৮১৩১-৮০৫৭-১৫ নি। মহাকা হায়-পরিক্ষা অসিদা নত্তবা পান্থে শিজিন্নবশিংনা দা মনিপুর প্রিভেন্সন ওফ মাল প্রাক্তিসেস ইন হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন এন্দ হয়ার সেকেন্দরি ইগজামিনেসন এক্ট-২০২৪ গী মখাদা চৈরাক পীগনি।

পরিক্ষা অসিগীদমক মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ য়াওনা লুচিংবা কয়ানা

মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-মহৈরোইশিংগী ওইনা পরিক্ষা অসি য়ামা মরুওইবা অমনি। মরম অদুনা মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা থাবা মতমদা মশানা মশাবু থাজবা থম্বগা লোয়ননা ইংনা তপা মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা হোৎনগদবনি।

হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা বোর্ডকী পরিক্ষা অসি থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

**মহৈরোই (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা ক্লাস থ্রি, ফাইভ অমসুং আইট পাষ্ট তৌরবা মহৈরোই লিশিং তরেৎলোমনা ঙসি ষ্টেট কম্পেটিটিব স্কোলারসিপ পরিক্ষা থাখ্রে। ইম্ফালগী তেরাদা লৈবা মোদেল হায়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাউমীশিংগা উন্নবদা এদুকেসন (এস) বিভাগকী বিগ্যান মন্দির ওফিসার-ওইনাম মুহিন্দ্রোনা হায়-পরিক্ষা অসি চীং অমসুং তম্পাক্কী সেন্টর ১৭ তা পাঙথোকখি।

শ্রী মুহিন্দ্রোনা মখা তানা হায়-পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্তুনা স্কোলারসিপ অসিগীদম খল্লবা ক্লাস থ্রি পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা চহি অনিগী, ক্লাস ফাইভ পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা চহি অহুমগী অমসুং ক্লাস আইট পাস তৌরবা মহৈরোইশিংনা চহি অনিগী স্কোলারসিপ ফংগনি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** কেম্পেইন ফোর জস্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিটেসনগী কনভেন্নর-জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা হায়রি-স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) না সেন্সস অমসুং দিলিমিটেসনগী মহুৎ শিনবা য়ারোই। এন.আর.সি. নৎত্রগা মান্নবা কাঙলোন চৎনবা খক্তনা মনিপুরদগী মীতোপ খন্দোকপা ঙমগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখেম কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জিতেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়-হন্দক পাঙথাক্কনি তৌরিবা মীকোক

থিবগী থবক অসি রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগা চান্নবা ৱাৎলি। এস.আই.আরনা রাজ্য অসিদগী মীতোপ খন্দোকপা ঙমলোই।

**স্কাউট (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী উরিপোক্তা লৈবা তোন্দোনসনা এন্দ থম্বৌমচা হায়স্কুলদা ৱার্ল্ড থিঙ্কিং ডেগী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি- অৱার ফ্রেন্দসিপ হায়বসিনি।

থৌরমদুদা স্কাউট গাইদশিংনা মসিবু লীংখৎপীরম্বা লোর্দ এন্দ লেদি বদন পাৱেলগী ফোটোদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**ককচিং (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা চথরিবা অঙাং ওইনা লুহোংবগী থৌওং লৈহন্দনবগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা অঙাং ওইনা লুহোংবা থিংবা, অঙাংশিংগী হক কনবনচিংবগী মতাংদা লৈরিবা আইনশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী ককচিং চুমাং লৈকাইদা লৈবা অনন্দা সিংহ যোগ এন্দ নেচর কিয়োর এন্দ রিছার্স হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

**সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-মনিপুরদা মীকোক থিবগী থবক চথদ্রিঙৈদা আইনা কায়না চংল্লকপা মীওইশিং হান্না খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-মীতোপশিং মশা মশাগী মীরমদা হলহনখ্রবা মতুংদা মীকোক থিবগী থবক চথগদবনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা শিব সেনা উধপ থাক্রে ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-অসামগী ওইনদি মীতোপশিং অমমতং ওইনা খন্দোক্তুনা মখোয়বু মরমদমদা হলহনখিনবগী ৱাফম গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা লৈরে। মনিপুরগী ওইনসু গৃহ মন্ত্রিনা

অসিগুম্বা মীৎয়েং অসি চংবগী তঙাইফদবা লৈ।

শ্রী তোম্বীনা হায়-ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবগী থবক অথুবা মতমদা লোয়শিল্লবদি আইন কায়না চংশিল্লক্লিবা মীতোপশিং, দ্রগ অমসুং খুৎলায় লল্লোনবশিং চংল্লকপা থিংবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়-মনিপুর অসি মহৌশাগী ফিভমদা অমুক হনজিলহন্নবা হোৎনবদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী অচৌবা দায়ত্ব লৈ। ফুরুপ খুদিংমকা মনিপুর অসি মশা মশাগী মরমদমনি খন্না থবক পায়খৎমীন্নদুনা, লমদম অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনমীন্নরসি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিটনা ভারতনা এ.আইগী লমদা তৌবা ঙম্বা কয়া অদু মালেমদা উৎথোকপা ঙমখ্রে। অৰাংবা থাক্কী মীফম অদুদা ভারতনা লৈবাক অসিদা শাজবা এ.আইগী মোদেল অহুম উৎখি। হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী চাউরবা এ.আইগী অৰাংবা থাক্কী মীফম অদু মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমখিবগীদমকসু শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মন কি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-দিজিটেল এরেষ্ট অমদি দিজিটেলগী খুত্থাংদা অরানবা থৌওং কয়া পায়খৎপগী মতাংদা খুন্নাই অসিনা নীংথিনা ভাব তান্নরে। অদুমওইনমক, অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি লেপ্তুনা থোক্লি অমসুং মসি ঙাকপীবা ঙল্লোইদবা থৌওংনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

শ্রী মোদিনা হায়-দিজিটেল এরেষ্ট অমসুং শেল থুমগী লমদা অরানবা থৌওং কয়া পায়খৎতুনা মরাল লৈতবা মীয়ামদা অৰাবা নংহল্লি। মরম অদুনা, অসিগুম্বা থৌওংদগী মীপুম খুদিংমকা লাপা লৈনবসু হায়রি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা হৌজিক্তি পোৎথোক নীংথিনা পুথোকপদা নত্তনা পোৎথোক্কী মগুনসু লৈহন্নবা অমদি অনৌবা কৈথেলশিং থমবা হোৎনরি।

হকচাংগী কয়াৎ দান তৌবগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পুকচেল শেংনা থবক তৌবনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অহোংবা পুরক্লি। অসিগুম্বা মীওইশিং অদুগী মফমদা থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোংদোকচরি হায়নসু শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিদা হকচাংগী কয়াৎ দান তৌবগী মতাংদা মীয়ামনা ভাব তাবা হেনগৎনরক্লি। মসিগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা মেদিকেল রিছার্সতা অচৌবা শক্তি অমা ওইরি। লম অসিদা ইন্সটিট্যুট অমদি মীওই কয়ানা অঙকপা থবক কয়া তৌনরি হায়নসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী মেরট লৈবা সবতাবদি নাগর নমো ভারত ষ্টেসনদগী মেরঠ মেত্রো অমসুং নমো ভারত রেলগাড়ি লমথাখ্রে। শ্রী মোদিনা মেরঠ সাউথ ষ্টেসন ফাওবা মেত্রো রেলগাড়ি তোংদুনা চৎখি।

প্রধান মন্ত্রিনা মেরঠতা লুপা কোতি লিশিং ১২,৯৩০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরনা উরেপ উযুং তমখি অদুগা খরা অমনা শঙ্গাখি। মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-ঙসি হৌদোক্লিবা প্রোজেক্টশিং অসিনা ভিক্সিত উত্তর প্রদেস অমসুং ভিক্সিত ভারত শেমগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। মহাক্কী সরকারনা প্রোজেক্টশিং অসি অককবা মতমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

**ইসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ই.সি.আই) না শিনদুনা লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা ই.সি.আই. অমসুং ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নারশিংগী জাতিগী ওইবা মীফম পাঙথোক্কনি।

চেরোল অমদা হায়-চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার গ্যানেস কুমারনা মীফম অদুদা সভাপতি ওইগনি। মসিদা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিস্নারশিংনা মখোয় মখোয়গী আইনগী অমদি টেকিকেলগী লমদা খঙ হৈরবা মীওইশিং অমসুং রাজ্য অমদি

য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুমমক্কী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিং শরুক য়াগনি। নোংমা চুপা চথুগদবা মীফম অদুদা টেকোলোজি শিজিন্নবা, ই.ভি.এম. অমসুং ইলেক্ত্রোরেল রোল য়াওনা মীখলগী থৌশিল থৌরাং কয়াগী মতাংদা খন্নগনি।

**কিল্ডঃ** পাকিস্তানগা অফগানিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা পাকিস্থান ইয়ার ফোর্সনা নোংথক্তগী লান্দাবদা অফগানিস্তানগী মীচম ১৭ শিরে, মীওই কয়া অশোক অপন নংলে।

চেরোল অমদা অফগানিস্তান সরকারগী মচিন চৎপা মীশক-জাবি হুলা মুজাহিটনা হায়-হৌখিবা অহিংদা পাকিস্তান ইয়ার ফোর্সনা নাগরহার অমসুং পাকতিকা প্রোভিন্সশিংগী মীচমনা খুন্দাবা মফমশিংদা নোংথক্তগী বোম থাদখি। মদুদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীশি মীনা থোকখি।

পাকিস্তানগী ইনর্ফোমেসন মন্ত্রি-অতাউলা তরারনা হায়-হৌখিবা চয়োলদা রামজান থা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা এট্টেক অহুমলক চথুখ্রে।

**বিজেপিঃ** অসাম কংগ্রেসকী মকোক ওইরম্বা ভুপেন কুমার বোড়া, ঙসি বি.জে.পিদা য়াওখ্রে। অসামগী শকাইরবা রাজনিতি ৱালা অমা ওইরিবা শ্রী বোড়া চহি ৩০ রোম কংগ্রেসতা লৈরম্মী। মহাকা মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মা অমসুং রাজ্যগী বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-দিলিপ সাইক্যিাগী মমাংদা বি.জে.পিদা য়াওখিবনি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথুরিবা ৩২ শুবা গভরনস কপ ইনভাইটেসন শগোল কাংজৈ (পোলো) টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসিদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌখ্রে।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-বাবুপারানা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**স্পোর্টসঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে.এস.এ) না শিনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাদগী বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্র ফাওবা বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে।

স্পোর্টস ফেষ্টিবেল অসি মথং থাগী অনিগী হৌরগা নুমিৎ তরুকনি চুপা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসিদা থাং-তা, চৈবী, লমশাং লমজেল, কাং, ফুটবোল অমসুং মুকনচিংবা মশান্নশিং পাঙথোক্কনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-নেরোকা এফ.সিনা ক্রকপুবু পাঞ্জল ৪-১ দা, রাহি য়ু.সিনা এলভেন স্তার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-অকম্পাৎপু পাঞ্জল ৬-৩ দা অদুগা ইম্ফাল এফ.এনা ত্রাউবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** ২ শুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মণিপুর ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা-য়াইরিপোক য়ুনাইটেদনা সনা এফ.সি. থৌবালবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোলঃ** আর.দি.সি. লাইরেনকাবী ক্লবনা শিনদুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা-য়ুথ এফ.সি. হৈবোংপোকপীনা দিলিভরি এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা-ত্রাউ-ক্বাকৈথেলনা কে.সি.সি. কোংবা বজারবু ৰিকেট তরেৎতা অদুগা সাইক্লোন-

থাংমৈবন্দনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন মরিদা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা-এম.য়ু.সি. টু কাঞ্চিপুরনা থন্দর স্তোর্ম-খাঙবোকপু রন অহুমদা থোইখ্রে।

অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা-ফেসন ক্যুইন থৌবালনা অথোকপম লিজেন্দবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.সি.সি. কোংবনা চেম্প-খাগেম্পলিবু রন-২৫ দা থোইখ্রে।